# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ SANALEIBAK — সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

www.sanaleibak.in

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে




রিমসকী নন-চিটিং এমপ্লোইয়ি ৱেলফিয়র এসোসিয়েসননা মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা তাল্লকখিবা চার্তর ওফ দিমান্দশিং পীথোক্তে হায়দুনা রিমসকী কেম্পস মনুংদা ৱাকৎ মীফম চথখিবগী শক্তম




পাঙ্গল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (পি এস ও)মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা ফাইজা হায়স্কুল মিনুংথোং হট্টদা পাঙথোকখিবা ইফতর পার্টিগী থৌরম



ককচিং হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী একাদেমী দিভলপমেন্ট কমিটিনা শীন্দুনা ঐচ এস এল সি এগজামিনেসন অমসুং হায়র সেকেন্দরী এগজামিনেসন দা স্কুল অসিগী তোপ্পর তারকখ্রবা মহৈরোইশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকপা


Volume No: 43 Issue: 183 | IMPHAL FRIDAY 31 MAY, 2019 | ইরাই কালেনগী ২৭নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60


## ৱাখলগী চিঙ্খাক

ৱাখলত শেংউ হকচাংসু মরাইনা শেংজরক্কনি

## অঙৈং-অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ৩৪.৪° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ১৯.৭° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং-৪.২৫
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং-৫.৫৯

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৭.৯৫
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬২.৫৬


INTEX
WASHING MACHINE

| | |
|---|---|
| 6.2 KG | = ₹ 7800 |
| 7.2 KG | = ₹ 8999 |
| 7.5 KG | = ₹ 9800 |
| 8KG | = ₹ 9999 |
| 7.5KG SPL. GODREJ | = ₹ 11500 |
| 8.5KG GODREJ | = ₹ 13200 |
| REFRIGERATOR | |
| 181 L GODREJ | = ₹ 10600 |
| 190 LT SAMSUNG | = ₹ 11400 |
| 190 LT 3 STAR Godz | = ₹ 12800 |
| INTEX LED (3 YRS WARRANTY) | |
| 24' LED (TV) | = ₹ 8500 |
| 32' LED (TV) | = ₹ 12000 |
| 40' LED | = ₹ 19999 |
| 50' LED SMART | = ₹ 37500 |

VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

SAMSUNG লুহোং-মচল
WATER PURIFIER EUREKA FORBES
SAMSUNG 40' LED, SAMSUNG REFRIG 2/3 STAR 190 LT., SAMSUNG 7.2/6.5 KG WASHER — ₹ 51,999/-
FREE ₹2499
SAMSUNG 43' LED, SAMSUNG REFRIG 2/3 STAR 190 LT., SAMSUNG 7.2/6.5 KG WASHER — ₹ 53,999/-
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTTL.
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.


গ্যাসকী পাউ লা: ৬ তা

## লোইরেদনা

হন্দক্তি হোস্পিটালদা শিবগা, ইমুংদা চঙলগা হাৎলম্বগনা পুংচায় চায়রেনে



খঙদ্রে তাদা নাবসু ফরে, য়ূমদা লৈবসু পংকিদা কীরে

## হেক্তা হায়জিনবা

### শেংদবমক্ত

শেংদবগী শেংদবমক্ত
লৈবাক্কী মমিংদগী হৌনা
শেংদবগী শেংদবমক্ত
হকচাং শোকচনবা থকচবা য়ু
অদুসু য়ানিশিনবা শেংদবা
কেন্সর নাজনবা চাজবা জর্দা
অদুসু য়ানশিনবা শেংদবা
মাঙজরগে হায়দুনা কাপচবা দ্রগ
অদুসু য়ানশিনবা শেংদবা
ফজরগে হায়দুনা শঙ্গোম
অদুসু য়ানশিনবা শেংদবা
কৈথেলদা ফংবা অয়াম্বা
অদুসু য়ানশিনবা শেংদবা
য়ুম্বাল্লবা নুপাসু শেংদ্রবা
য়ুম্বাল্লবী নুপীসু শেংদ্রবা
লৈঙাকপা রাজনিটিৱালাসু
অশাবা শেংদবা মক্ত
অশেংবা অদুফাও থাজদ্রে
য়ানশিনবা শেংদবা ওইরমদনা
শেংদবগী শেংদবা মক্ত

# নরেন্দ্র মোদি অনীরকশুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

## ■ কেবিনেট মিনিষ্টর ২৪, এম ও এস (ইন্দিপেন্দেন্ট) ৯ অমসুং এম ও এস ২৪ পুন্না মিনিষ্টর ৫৮ ৱাশক লৌখ্রে ■ নোর্থ ইষ্টকী ওইনা মিনিষ্টর অনী ফঙলে ■ সুস্মা শ্বরাজ, মেনাকা গান্ধী, রাজ্যৱধন রাথোর মিনিষ্টর ফঙদ্রে

ইম্ফাল,মে ৩০(এস এন এস)ঃ

নরেন্দ্র মোদি অনীরকশুবা টর্মগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা থবক পুনবা অমসুং অরোনবা ঙকপগী ৱাশক ঙসি নুমিদাংৱাইরম লৌখ্রে। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু ন্যু দিল্লিদা রাষ্ট্রপটিভৱন্দা নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৭ তারকপদা পাঙথোকপা পুৱারী ওইহৌরগদবা থৌরম অমদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা লৌখি।

ৱাশক লৌখিবা মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা কেবিনেট মিনিষ্টর ২৫, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইনিদপেন্দেন্স) ৯ অমসুং মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ২৪ য়াওরি। মমাঙগী গভর্ণমেন্টতা মঙাল নাইনা মিনিষ্টর ওইরম্বা অরুন জেটলি, সুস্মা শ্বরাজ, রাজ্যৱধন রাথোর, মেনাকা গান্ধী, সুরেস বাবু, জয়ান্ট সিংহ অমসুং জে পি নাদানচিংবা য়াওদ্রে। নোর্থ ইষ্টকী ওইনা কেবিনেট মিনিষ্টর অমফাওবা হাপত্রে। অদুমকপু কিরেন রিজিজু অমসুং অসামগী দিব্রুগরদগী কারকখিবা রামেশ্বর তেলি এম ও এস ওইনা ৱাশক লৌবদা য়াওরে।

মীখল মমাঙদগী হৌনা এন দি এ গী এল্লাইন্স অমা ওইনা বি জে পি গা চৎমিন্নরিবা জে দি য়ুদা মিনিষ্টর ফম অমখক পী হায়না মৈ হৌনা শাওরবা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিসকুমারনা মোদি লৈঙাক মপালদগী ওইনা শৌগৎলগনি, মিনিষ্টর লৌররোই হায়না লাউথোকখ্রে হায়রি।

মসিগীসু মথক্তা এন দি এগী মপাং ওইরিবা এন পি পি দা মিনিষ্টর অমা পীগনি হায়না থাজনরম্বা অদু অমা ফাওবা পীখিদ্রে। মিনিষ্টর ফঙগনি হায়না পান্নরম্বা মেঘালায়াগী এম পি অগাথা সংমা শক্লাইরবা মীওই কয়াগী মরক্তা ফমদুনা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু য়েংবা উখি।

মিনিষ্টরগী থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখ্রবশিংগী মনুংদা বি জে পি গী নেস্নেল প্রসিদেন্ট অমিট সহ য়াওরে। মহাক অহানবা ওইনা কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি। কেবিনেটকী থাক্তা ৱাশক লৌখ্রবা মিনিষ্টর অহুমদি হন্দক্তী অসিনা অপুন্সিদা অহানবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইবনি। মখোয় অদুদি অমিট সহ, রামেস প্রোখ্রিয়ান (নিশানক) অমসুং প্রলহাৎ জোসি নি হায়রি।

এম ও এস ওইনা থবক পুগদবশিংগী মনুংদা অনৌবা মরী য়াওরি। মখোয় অদুদি রতল রাল কাতারিয়া, অংগাটি সুরেস, চানাবাসাপা অমসুং রামেস ৱার তেলি নি হায়রি।

কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবশিংগী মনুংদা অমিট সহ, নিটিন গাদকারি, সদানন্দ গৌরা, নিরমালা সিতরমন অমসুং রাম বিলাসৱানচিংবা য়াওরি। থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা ষ্টেট খরাগী চীফ মিনিষ্টরশিংসু শরুক য়াখি।

মমাঙথক্তা অমুক ফাওবা রাজ্য সভাগী নৎত্রগা লোক সভাগী মেম্বর অমুকফাওবা ওইখিদ্রিবা মীওই অমসু হন্দক্কী ৱাশক লৌবা অসিদা য়াওরে। মহাক অদু মোদি গভর্ণমেন্টকী মতমদা ফোরেন সেক্রেটরী ওইরম্বা এস জইসঙ্কর নি হায়না পাল্লি।

ভিমস্তেকতা য়াওবা লৈবাকশিংগী লূচিংবশিংসু ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। ইন্দিয়ানা য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংদা অহানবা মীৎয়েং থম্বা অমসুং থৌশিলগী মখাদা লৈবাকশিংগী লূচিংবশিং অদু চেবাও চৎখিবনি। সংহাই কোর্পরেসন ওর্গনাইজেসনগী হৌজিক হৌজিক চিয়রমেনসু ওইরিবা কেগ্রিস রিপব্লিক্কী প্রসিদেন্ট অমসুং মাওরিচেসকী প্রাইম মিনিষ্টরশিং অদুসু শরুক য়াখি। মখোয়দা নত্তনা শ্রী লঙ্কা, বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারগী প্রসিদেন্টশিং, মাওরিসাস, নেপাল, ভুতানগী প্রাইম মিনিষ্টরশিং, থাইলেন্দগী স্পিসিয়েল বোইনচিংবসু ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াবা লাকখি। কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রহুল গান্ধী অমসুং য়ু পি এ চিয়রপর্সন সোনিয়া গান্ধী ৱাশকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। তেলঙ্গানাগী চীফ মিনিষ্টর সন্দ্রসেখর রাও অমসুং বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিসকুমারসু শরুক য়াখি।

অহানবা ফেজতা মিনিষ্টর হাপখিদ্রবা সঞ্জয় মেনেকা গান্ধী স্পিকর পোর্টেম ওইনা হাপ্পদৌরি। মোদিগী মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা নুপী অহুম কেবিনেটকী থক্তা পুখৎলি। মিনিষ্টরশিংনা পায়গদবা ফম ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা লাউথোকপা লৈত্রি। থাজবা য়াবা মফমদগী পাউনা হায়না বি জে পি গী নেস্নেল প্রসিদেন্ট অমিট সহনা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরবা য়াই।



# ইলিজাবেঠ : মতম মাঙহন্দবা, হোৎনবা লেপ্তবনা মায় পাক্কনি



নাওরেম তানিয়া

ইম্ফাল,মে ৩০(এস এন এস)ঃ

ঐখোয়গী লমদম অসিদা লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহা কয়া অমা লৈরবসু থবক ফঙদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। অদুবু ইশানা-ইশাবু থবক পীদবা য়াদে হায়দুনা নহা কয়া অমসু থোরক্লি। মখোয়শিং অসিগী মরক্তা ইলিজাবেঠ য়াম্নেমসু অমনি।

দ্বেল্লরস হায়না মিংথোনবা ইলিজাবেঠনা ইরমদম অসিদা ফণ্ডলিবা মতম-মতমগী হৈ-রা অমদি মনা-মশিংদগী শেন্বা চা মখল অমনি। চা মখল ১১ থোক্না ফণ্ডই। অদুবু ময়ামসিদগী হেন্না মীয়াম্না পান্নবা থক্নরিবদি হৈমাঙ,নোংমাংখা,সিলো শৌগ্রি,লিমোন গ্রাস অমদি জিঙ্গরগী চা মখলশিং অসিনি।

ইলিজাবেঠ য়াম্নেম হান্না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কম্মিস্নর ওইরম্বা থামকেশ্বর অমদি চান্দম নিরোদা অনীগী মচা মরিগী মনুংদা অহুমশুবীনি। পীক্লিঙৈদগী হৌনা মপান লমদা মহৈ-মশিং তমদুনা ফাইনান্স সবজেক্টতা ফোকস তৌদুনা হৌরকখি। মসিগী মতুং লন্দনগী ইনভেষ্টমেন্ট বেঙ্কতা থবক তৌরম্মী। চার্টর একাউন্টেন্ট ওইনা থবক তৌরম্লবা মতুংদা চহী অনী লৈরগা শিঙ্গাপুরদা অমুক রিলোকেট তৌখি।

ইলিজাবেঠ মীরমদা লৈবা পামখিদে অমসুং ময়ুমদা হল্লক্লিংখি। ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা ফণ্ডলিবা রিছোর্স কয়া অসিদগী করি তৌবা য়াবগে হায়না খনবা হৌরকখি। পীক্লিঙৈদা ইমুংগী অহলশিংনা চৈরাওচীং কারুরবা মতুং হৈমাঙ তিংদুনা মহি থকখিবা কয়া অদু নীংশিংলদুনা চা ওইনা শেন্বা য়াগনি খনবদগী গুৱাহাটিদা টেষ্টিং তৌবা হৌখি। টেষ্ট তৌবদা মায় পাকপদগী মণিপুরদা দ্বেল্লরসকী চা অসি কুমজা ২০১৭কী জুনদা মীয়ামদা ফঙহনবা হৌরকখি। হৌজিক মণিপুরগী তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা চা মখল অসি ফঙলে। মসিদা নত্তনা দ্বেল্লরসকী ওনলাইন ৱেবসাইট অমদি অমাজোনদগী ওনলাইন সোপ্পিং তৌদুনা ইন্দিয়াগী মফম অমদা হেক্তামক ফঙবা ঙমহল্লে। হৌজিক-হৌজিক দ্বেল্লরসকী মখাদা মীওই ১২দা থবক পীবা ঙল্লে।

পাউ-চে অসিনা অখন্নবা ইলিজাবেঠকা উন্নরুবদা মহাক্না হায়খি,ঐখোয়গী লৈজরিবা রিছোর্স,হৈ-রা,মনা-মশিং অসিগী *মখা লমায় ৩দা...*

# এক্সপিয়ারি দেট শেমদোক্লগা পাফোর য়োল্লম্বা মীওই অমা লুপা ৬০,০০০ ফাইল থিহনখ্রে

ইম্ফাল,মে ৩০(এস এন এস)ঃ

রাজস্থানগী বিকানরদা লৈবা সেথিয়া স্বীট প্রদক্সন্সনা শাবা এক্সপিয়ারি ওইরবা ফ্রেন্দস পপেদ (পাফোর) গী মেনুফেকচরিং দেট শেমদোক্লগা মণিপুরগী মীয়ামদা য়োল্লম্বগী মরালদা এদজুদিকেটিং ওফিসার (ফূন্দ সেফটি)। এদিস্নেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট, থৌবালনা মরাল লৈরবা মীওই মরিদা লুপা ৬০,০০০ ফাইন থিনবা খঙহনখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি নুংথিল থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা এদজুদিকেটিং ওফিসার অমসুং এদিস্নেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট, থৌবাল ওইরিবা লাইশ্রম রাধাকান্তগা মহাক্কী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্না হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দিজাইনেসন ওফিসার, ফুন্দ সেফটিগী লমজিং মখাদা ফূন্দ সেফটি ওফিসার, ডা. মোইরাংথেম দিনেশকী টিম অমনা খোংজোমগী মফম খরদা রোটিন ওইনা ইন্সপেক্স চত্থবদা হায়রিবা রাজস্থানগী বিকানরদা লৈবা এফ-২৬২, বিচৱল ইন্দষ্ট্রিয়েল এরিয়াদা লৈবা সেথিয়া স্বীট প্রদক্টসনা পুথোকপা পাফোর, ফ্রেন্দস পাপদ হায়বা অসিগী মেনুফেকচরিং দেট থাগদবদা শুপ্নগী '২০১৯' খক্তা থারমবা থেংনখি। মদুদা চিংনবদগী সেম্পল অদু ফাগৎলগা খোঙ্গুল লিরুবদা পাপর অদু হোকর অনীনা থারম্বনি হায়বা খঙলকখি। মখা তানা অমুক খোঙ্গুল লিবদা পাপদ অদু বিষ্ণুপুরগী সাইতোনদা লৈবা ঙানুকোন রেফুজি কলোনিদা লৈবা নন-মণিপুরী বিক্রম দাস কৌবা অমনা মেন্যুফেকচরিং দেট অদু মুখৎলগা মহাক্কী সব দিলরশিংদা য়োলহনবনি হায়বা খঙলকপনি।

ফূন্দ সেফটি ওফিসার থৌবাল পাপদ সেম্পল অদু লেবোরেটরিদা থাদুনা টেষ্ট তৌরে। মসিগী রিজল্টদা পাফোর অদুকা হেন্না হকচাংদা হু চেলহন্দ্রগসু চাবদা করিগুম্বা কান্নবা পীবা অমদি ওইদ্রে। অদুমকপু *মখা লমায় ৩দা...*

# রোবার্ট নাওরেমগী মমা রেখা মখৌরি লাকহৎলগা হাৎখিবরা চিংনরি

ইম্ফাল,মে ৩০(এস এন এস)ঃ

শক্লাইরবা ফেসন দিজাইনর রোবার্ট নাওরেমগী অপোকপী রেখা শকখঙদবশিংনা ফি অমা শিজিন্নদুনা মখৌরি লাহৎলগা হাৎখিব্রা হায়বা চিংনরি। মসিগীসু মথক্তা মীহৎপশিং অদুনা রেখাগী মকোক্তা অকনবা পোৎশক অমনা শুরম্বা থোল্লম্বদগী মফম অহুম থোক্না কাইরগা লৈরম্বা থেংনখ্রে।

লৈখিদ্রবা রেখা ঙসি নুংথিল ভিদিও কোবরেসকা লোয়ননা পোষ্ট মোর্টেম চত্থখি। রেখা মখৌরি লাহৎলগা হাৎখিবগী খুদুম চাংদমশিং পোষ্ট মোর্টেম অদুদা শরুক য়াবা ওফিসিয়েল অমনা পাউ চে অসিদা হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, পোষ্ট মোর্টেম লোইখ্রবা রেখাগী হকচাং ঙসি নুমিদাইৱাইরম অথেংবা ফাওবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা লৌখিদে। মদুগী মরম মপাল লৈবাক্তা চৎখিবা মহাক্কী মচানুপী হল্লকপা ঙাইনবগীদমক মোগতা থম্বনি হায়রি। অদুম ওইনমক রোবার্ট নাওরেমদি ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে।

পুলিসতগী ফঙবা পাউনা হায়, মীহৎ অসিগী মরী লৈননা পুলিসনা এফ আই আর অমা লোপ্ঞ তৌখ্রে। অদুম ওইনমক মীহৎ অসিদা চেন্নরিবশিং ফাবা নৎত্রগা মখোয়গী লংলা লংজিন পুথোকপা ঙমদ্রি। মীয়াম্না মীহাৎ অসিগী মরুমদা *মখা লমায় ৩দা...*

# রিমসকী ও পি দি থিংজিনগদৌরি

ইম্ফাল,মে ৩০(এস এন এস)ঃ

রিমসকী নন-টিচিং ইমপ্লোইয়ি ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন (এন টিই দব্লিউ এ) না মতম কয়াগী মমাঙদগী থল্লকখিবা চার্তর ওফ দিমান্দশিং অথুবদা থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি রিমসকী ও পি দি অমদি লেবোরেটরি ৱার্দশিং থিংজিনবা য়াওনা অকনবা খোঙথাং কয়া চঙশিল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ঙসি এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বরশিংনা মখোয়গী দিমান্দশিং তকশিন্দুনা রিমসকী ডাইরেক্টরগী ওফিস মমাঙদা ৱাকৎ মীফম চত্থখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী থিয়াম বাবুনা পাউমীশিংদা হায়, রিমসকী ডাইরেক্টরগী মীৎয়েংনা মখাদা মল্টি তাস্কিং ষ্টাফ ১৩০ লৌগনি হায়না থল্লমকখিবা ৱাফম থাগৎনিঙাইনি। অদুবু ৱাফম অসি অইবা চেরোল ওইনা এসোসিয়েসনদা পিরকত্রিবা মখৈ থাজবা ঙল্লোই। মমাঙদসু রিমসকী ডাইরেক্টর, দিপ্যুটি ডাইরেক্টর অমদি মেদিকেল সুপ্রিন্টেন্দেন্ট য়াওবা মীফম কয়াদা এসোসিয়েসননা থমখিবা ৱাফম কয়া থবক্তা পাঙথোক্কনি হায়বগী থাজবা পিরম্লগা ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈরক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, এসোসিয়েসনগী চার্তর ওফ দিমান্দ য়াওরিবা ৱাফম অসি মল্টি তাস্কিং ষ্টাফগী অৱাৎপা পোষ্ট মেনশিনবা খক্তা নত্তে। রিমসকী নন-টিচিং ষ্টাফগী অৱাৎপা লৈরিবা, কন্ট্রেক্ট ষ্টাফগী সার্ভিস এক্সটেন্সন তৌদ্রিবা, *মখা লমায় ৩দা...*

# ম্যান্মার আর্মিশিং লানগী ফিভমদা চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল,মে ৩০(এস এন এস)ঃ

ম্যান্মারগী নাগা তাবা মফমশিংদা ম্যান্মার অর্মিনা মশীং য়াম্লবা লান্মী অমদি খূৎশু খূৎলাই কয়া উহনদুনা লান থোক্লবা শিল্লে হায়না অউ য়ুংনা লূচিংবা এন এস সি এন (খপ্লাং) গ্রুপ্না মরাল শীরক্লি।

মে ১৬ তগী ম্যান্মর আর্মিনা এন এস সি এন (কে) গী মথক্তা ওপরেসন চঙশিনবা হৌখিবনি। লূপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ৱিংগী থৌ পুরিবা মেজর জোসেফ লমকাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা নুমিৎ খরগী মমাঙদা ম্যান্মার আর্মিশিংনা কোনয়াক খূঙ্গংগী মনাক অমদি অকোইবগী উমংশিংদা বোম্ব য়াওনা নোংমৈ কয়া কপশিল্লকখি। থৌদোক অসি লূপ অসিগী লান্মীদা নত্তনা মীচম প্রজাদা অকিবা পোকহনবা থোকখিবনি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ম্যান্মার আর্মি সিজফাইয়র রুল থুগাইদুনা নমফুন্দা তৌখিবা জনুৱারি ২৯দা তাকাদা লৈবা এন এস সি এন কাউন্সিলগী হেদক্কার্টরদা চঙলকখিবা লৈখ্রে।

এন এস সি এন লান্মীশিংনদি সিজফাইয়রগী নিয়ম থুগাইবা লৈত্রি। মখোয়না হেদক্কার্টরদগী থোরকপদা অরানবা মরাল পীশিন্দুনা লূপ অসিগী লূচিংবা খরা ম্যান্মর আর্মিনা ফাজিনদুনা কৈশুমশঙদা থমখি হায়না লূপ অসিনা ফোঙদোক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, এন এস সি এন অমশুং ম্যান্মর অনীগী মরক্তা সিজফাইয়রগী য়ানচে হৌখিবা এপ্রিল ৯, ২০১২ দা খূৎয়েং পীনখি।

য়েংথিনবা থাদোক্তুনা সিজফাইয়র ওফিস অমা কামতিদা লৈবা দিজাইনেতেদ কেম্পতা থাবা, খুৎলাই য়াওদনা য়ুনিফোর্মদা ম্যান্মার অনুংদা চৎথোক-চৎশিন য়াহনবা, ই-পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌনবা অমদি নাকল অনীগী *মখা লমায় ৩দা...*

# চীফ মিনিষ্টর ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ইম্ফালদা থুংলগনি

ইম্ফাল,মে ৩০(এস এন এস)ঃ

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং ৱাশক লৌবগী থৌরম শরুক য়াবা লোইরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন হয়েং নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা ইম্ফালদা থুংলগনি। মহাক্না ইম্ফালদা হল্লক্লবা তুংদা মাগী গভর্ণমেন্ট মনুংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ৱাথোকশিং লোইশিন্নবা হোৎনগদৌরি। মীয়াম্না কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর হোংদোক-হোংজিন তৌরবা য়াই হায়না পান্নরগসু চীফ মিনিষ্টরনা তহা তহানা খুৎ থাগনি হায়বগী থাজবা লৈত্রি হায়না পাউ অসিনা হায়রি।


Manipur Cab Services



অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা
Manipur Cab Services
হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে....
খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্ত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোংদুনা চৎপিয়ু
Toll Free Number 1800-345-3838
GET IT ON Google Play
₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অখন্না শেমজবা package লৈরি
অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পান্দমনি
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.
SL / B / 30DAY

UNACCO SCHOOL
Excellence in Education
Khongman Zone - III West, Imphal East District, Manipur
ADMISSION GOING ON
CLASS XI-Sc., 2019-20
Eligibility Criteria for Admission/Aptitude Test
(Consider only subjects Phy, Chem, Bio & Maths)
1. 70% & above - Direct Admission ( Provided 60% of Mathematics + Science average).
2. Students scoring 50% & above but below 70% admission through Aptitude Test.
Date of Aptitude Test : 04/06/2019 (Tuesday)
Timing : 10:00 am to 12:20 pm.
Classes commence from 6th June 2019.
Only few seats are left
Please Contact : 8131070337
SL/B/ 3 days